# কোভিদ কেস ৱাংলকপদগী টামিল নাদুগী ওজাশিংনা পালি নাইনা কোলেজদা লাকপা য়াহনবীনবা গভর্ণমেন্টদা হায়জখ্রে

চেন্নাই, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী): টামিল নাদুদা কোভিদ-১৯ কেসশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকপগী ফীভম য়েংদুনা মখোয়বু পালি নাইনা কোলেজদা লাকপা য়াহনবীনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা ষ্টেট অসিগী কোলেজ ওজাশিংনা হায়জখ্রে।

কোলেজ ওজাশিংনা ফোঙদোকখিবদা, ওজা কয়া লায়না অসিনা শোকহল্লে অমসুং কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ওজা অমা লৈখিদ্রে। ষ্টেট অসিদা মহৈরোয়শিংনা কোলেজ কাবা য়াহনখিদ্রবসু ওজাশিংদি নুমীৎ খূদিংগী কেম্পসতা লাক্কুরিবনি। ওজা কয়া টেষ্ট তৌবদা ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইবদগী ওজাশিংনা মখোয়গী হেল্থকীদমক্তা ৱানরিবনি।

মদুরাই গভর্ণমেন্ট আর্টস কোলেজগী ওজা অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকপদা, মহৈরোয়শিংগী ক্লাস লৌগদবা লৈত্রবসু ওজাশিংবু হৌজিক নমদুনা কোলেজদা লাকহল্লি। ওজা অয়াম্বা ভেক্সিন দোজ অনীমক কাপখ্রবসু মখোয়দা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন থোক্লি। ওজা কয়া মশাদা হান্নদগী লায়না চেনবদগী ভাইরস অসিনা হেক শোকপগা মখোয় হোস্পিটালশিংদা এদমিট তৌই। গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়গী সেফটিগীদমক খনবীগদবনি অমসুং ঐখোয়দা খূদোংচানবা থৌরাং খরা লৌখৎপীগদবনি।




ওজাশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ওনলাইন ক্লাসশিং লেপখ্রবসু মখোয় শুপ্পগী দ্যুটিগী মিংদা কোলেজ লেপ্তুনা চৎনরি। মসি গভর্ণমেন্টনা মখোয়দা নমদুনা তৌহল্লিবনি। ওজা অয়াম্বনা বসকুম্বা মী চিল্লবা পব্লিক ট্রান্সপোর্টতা চৎনরি। মসিনা মখোয়বু ভাইরস অসিদা এক্সপোজ তৌহল্লি। চেন্নাইদা ওজাশিং সিটি অসিদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী রেট ৱাংলিবা অসিদা থৱায় ৱানরি। সিটি অসিদা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা পোজিটিভ রেট চাদা ১৮.১ য়ৌদুনা টামিল নাদুগী পোজিটিভিটি রেট চাদা ১০.৩ অসিদগী য়াম্না হেল্লি।

গভর্ণমেন্ট আর্টস কোলেজগী ওজা অসিনা হায়, মশাদা হান্নদগী লায়না কয়া চেল্লক্লবা ওজাশিং অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা করিমত্তা খনবীদবগুম তৌরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঐহাক্না গভর্ণমেন্টদা শুপ্পগী পালি নাইনা স্কুল নৎত্রগা কোলেজদা চৎপা য়াহনবীনবা হায়জরি।

অদুমওইনমক টামিল নাদু গভর্ণমেন্ট কোলেজ টিচর এসোসিএসননা ফোঙদোরকখিবদা, গভর্ণমেন্ট ওফিস ষ্টাফ পূম্নমক্না মখোয়গী ওফিসতা য়ৌনরিবা মতম অসিদা এসোসিএসন অসিনা গভর্ণমেন্টদা কোলেজ চৎপগী মতাংদা ওজাশিংদা রিলিফ পীনবা হায়জবা ঙম্লোই। এসোসিএসনগী ফিরেপ অসিবু ওজাশিংনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

চেন্নাইদা লৈবা গভর্ণমেন্ট কোলেজ অমদা ওজা ওইবা মশক-মমিং ফোঙদোক্লিংদবা ওজা অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকখিবদা, টিচর এসোসিএসন অসি কান্নদ্রবা বোদি অমনি। মখোয়না হীরম অসিগী মতাংদা খূৎ থিংজিনফম থোকপনি। মদু তৌবগী মহুৎতা ওর্গনাইজেসন অসিনা ওজাশিংগী চাং তাহন্নবা হোৎনদুনা লৈরে। ঐখোয় গভর্ণমেন্ট ওফিস ষ্টাফকা মান্নদে। মহৈরোয়শিংগী ক্লাস লৈরোইদবা ওইরবদি করিগীদমক্তা ওজাশিংবু কোলেজদা লাকহল্লিবনো। ঐখোয়গী প্রোফেসন অসিদি মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীবনি। মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীহন্দ্রবা মতম অসিদা মতম মাঙনবা মওংদা অমসুং খূদোংথীনিংঙাই ওইবা মওংদা ঐখোয়বু করিগীদমক্তা ভাইরস অসিদা এক্সপোজ তৌহল্লিবনো হায়না ওজা অসিনা ফোঙদোকখি।

টামিল নাদুগী কোভিদ লাইচৎ কন্ট্রোল তৌনবা লৌখৎলকপা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাং ওইনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা জন্যুৱারী ৩১ ফাওবা লোকদাউনগী অথিংবশিং থমখ্রবনি। গভর্ণমেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুংইন্না জন্যুৱারী ১৪ অমসুং ১৮গী মরক্তা ষ্টেট অসিগী লাইনিং-লাইশোলগী মফম খূদিংমক্তা মী চঙবা য়াহল্লোই। পোঙ্গালগা মরী লৈনবা স্পেসল ইন্টর-দিষ্ট্রিক্ট বসশিং কেপাসিটি চাদা ৭৫দা চেনগনি।

# উত্তর প্রদেশতা মীখলগা মরী লৈননা দিজিটেল মোনিটরিং সেল শেমখ্রে

লক্ষ্ণৌ, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশতা লাক্লিবা এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা ষ্টেট পুলিসনা দিজিটেল মোনিটরিং সেল অমা শেমখ্রে। সেল অদু য়ুমশকৈশা নুমীৎতগী লেপ্তুনা মথৌ তৌগনি হায়রি।

এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল (এ দি জি) পুলিস, লো এন্দ ওর্দর প্রসান্ত কুমারনা ফোঙদোরকপদা, দিজিটেল মোনিটরিং সেল অসিনা থিংনিংঙাই ওইবা পোষ্ট অমা হেক থেংনবগা খূদক্তা রেঞ্জ অমসুং জোনেল পুলিস সোসল মীদিয়া ইন-চার্জশিংদা এলর্ট তৌগনি। মখোয়না এক্সন লৌখৎপা মথৌ তারিবা অককপবা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা অমুক এলর্ট অদু খঙহনগনি। কেস অদু খরা লুবা ওইরবদি ওফিসর অমগী ভিদিও অমা মতম চানা থাগৎকনি।

এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস পি) রেঙ্ককী ওফিসর অমনা মকোক চিংলম্বা পুলিস পর্সনেল ৩০ রোম লৈখিবা সেল অদু হৌজিক স্পেসলাইজ পুলিসমেন ১৫ হাপচিন্দুনা পর্সনেলশিংগী মশীং ৪৬ শুহল্লগনি। ওফিসর অসিগী মতুংইন্না শেমজিন-শাজিনবা ইনফোর্মেসন, ঈরাং থোকহনবা য়াবা পোষ্টশিং অমসুং মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়বা অতৈ ভাইওলেসন কয়া কন্ট্রোল তৌনবগীদমক পুলিসকী দিজিটেল সেল অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পর্সনেলশিংগী মশীং হেনগৎহনবনি।



দিষ্ট্রিক্ট, রেঞ্জ অমসুং জোনেল লেভেলশিংদা এক্টিভ ওইরিবা সোসল মীদিয়া সেল পূম্নমক্তা ইলেক্সন মনুংগী এটমোস্ফ্যেরদা অকায়বা থোকহনবা য়াবা পোষ্টশিং মীৎকুপ নাহুম শিংনা শেন্ননবা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে। ইলেক্টোরেল প্রোসেস অমদি মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকী এৱ্যেরনেস শন্দোক্নবা য়ু পি পুলিসনা তোঙানবা কেম্প্যেন অমা চত্থরগনি। কেম্প্যেন অদুদা স্লোগানশিং, পোষ্টরশিং, শৈরেংশিং অমসুং হশটেগশিং শীজিন্নগনি। ফেক ইনফোর্মেসন চ্যেক তৌনবা য়ু পি পুলিসকী ত্বিটর হেন্দল মতম চুপ্পদা এক্টিভ ওইনা লৈহনগনি।

এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস লো এন্দ ওর্দরগী মখাদা দি জি পি কন্ট্রোল রুমনা সী-প্লান এপ্ অমসু ওপরেট তৌরি। মদুদা খুঙ্গং খূদিংগী এলিট মীওই ১০ মখোয়গী মোবাইল নম্বরশিংগা লিঙ্ক তৌনহল্লি। মদুনা খুঙ্গংশিং অদুদা মরা তপ্পা ফীভম লৈহনবদা মতেং পাংবতা নৎতনা ফেক ইনফোর্মেসন শন্দোকপা থিংবা অমদি অরানবা ইনফোর্মেসন শন্দোকপদা মতেং পাংগনি হায়না ওফিসর অসিনা ফোঙদোকখি।

# অন্ধ্র সী আই দিনা সিদিসন কেসতা রেবেল এম পি সমন তৌখ্রে

হায়দরবাদ, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী): অন্ধ্র প্রদেশ সী আই দিনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা রুলিং ৱাই এস আর কোঙ্গ্রেস পার্টি (ৱাই এস আর সী পি)গী রেবেল এম পি কে রঘুরাম কৃষ্ণ রাজুদা নোটিস অমা সর্ভ তৌদুনা হৌখিবা চহীদা মহাক্কী মায়োক্তা বুক তৌখিবা সিদিসন কেস অমগা মরী লৈননা মহাকপু জন্যুৱারী ১৭তা লাক্নবা খঙহনখ্রে।

সী আই দি ওফিসরশিংগী টিম অমনা নোটিস অদু হায়দরবাদতা লৈবা নারাসাপুরমগী এম পি অসিগী য়ূমদা পীশিনখি। মঙোন্দা গুন্টুরদা লৈবা সী আই দি রিজনেল ওফিসকী ইনভেষ্টিগেসন ওফিসরগী মমাংদা লাক্নবা দিরেক্সন পীখি।

ইনভেষ্টিগেসন ওফিসরগী মিংদা ইস্যু তৌখিবা নোটিস অদুনা হায়রিবদি সী আই দি পুলিস ষ্টেসনদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন খরগী মখাদা মহাক্কী মায়োক্তা রেজিষ্টর তৌখিবা কেস অমগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন অমসুং ইন্টরোগেসন চত্থবদা এম পি অসিনা সী আই দিদা লাকপা হায়বসি মথৌ তাই।

চীফ মিনিষ্টর ৱাই এস জগনমোহন রেদ্দি অমসুং ৱাই এস আর সী পি গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ৱাফম খরা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা রাজুগী মায়োক্তা কেস অদু বুক তৌখিবনি। পুলিসনা মহাকপু হৌখিবা মে ১৪দা হায়দরবাদতা লৈবা ময়ূমদগী ফাখিবনি অমসুং মহাকপু গুন্টুরদা পুখি। হার্টকী বাই পাস সর্জরি চত্থখ্রবা এম পি অসিনা হায়খি মদুদি, মহাকপু ষ্টেট পুলিস কষ্টদিদা টোর্চর তৌখি। মতুং তাবদা সুপ্রিম কোর্টনা মহাক্কী মেদিকেল এগজামিনেসনগী রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইরগা মহাকপু বেল পীখি। কোর্টনা রিপোর্ট অদু এগজামিন তৌবদা মহাক কষ্টদিদা থিনা তৌরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখি। কোর্ট অসিনা মঙোন্দা ইনভেষ্টিগেসন অদুদা কোওপরেসন পীনবা খঙহনখি। চৈরকসিদা মহাকপু সনক্রান্তিদা ৱাহং পাউহং তৌনবা লাক্নবা খঙহনবগীদমক্তা রাজুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা চৈখ্রে।

# রোহিনি কোর্টতা নোংমৈ কাপখিবা থৌদোক্কী মরুওইবা লৌতুনবা মীশক দেল্লী পুলিসনা ফারে

দেল্লী, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী): রোহিনি কোর্টতা নোংমৈ কাপখিবগী কেসতা মরুওইবা লৌতুনবা মীশক ওইরিবা শাথীরবা গেঙষ্টর সুনিল মান এলিয়স তিল্লু তাজপুরিয়াগা নকশিন্নবা এইদ রাকেশ তাজপুরিয়া নেসনল কেপিটেলদা নোংমৈ কাপ্নরবা মতুংদা ফারে হায়না য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ওফিসর অমনা ফোঙদোরক্লি।

সিনেমাগী থৌদোক্তা মান্নবা রোহিনি কোর্টকী থৌদোক অদু হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বর ২৪দা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা দেল্লীগী খ্বাইদগী ৱান্টেদ তারবা গেঙষ্টর জিতেন্দর সিংহ মান এলিয়স গোগীবু উকিলশিংগী ফিজোল শেৎপা রাইভেল তিল্লু গেঙগী গেঙষ্টর অনীনা কোর্ট রূম মনুংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।




সুনিল তিল্লুনা জেলদগী পীরকপা দিরেক্সন মতুংইন্না মখোয়গী রাইভেল জিতেন্দর সিংহবু হাৎননবা লৌতুনবদা রাকেশ তাজপুরিয়ানা মরুওইবা থৌদাং লৌখি। মশাগী চহী ৩১ শুরবা একুজ অসি জন্যুৱারী ১১-১২গী লোন্নবা অহিংদা পুলিসকা ঙাইহাক নোংমৈ কাপ্নরবা মতুং দেল্লীগী নরেলা ইন্দষ্ট্রিএল এরিয়াদা লৈবা কেমিকেল ফেক্টরি রোদকী ক্রোসিং মনাক্তা ফাখি।

ওপরেসন অদুগী অকুপ্পশিং খঙহল্লদুনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস (স্পেসল সেল) জস্মিট সিংহনা হায়খি মদুদি, রাকেশ তাজপুরিয়া অলিপুর, নরেলা অমসুং দেল্লীগী অতৈ মফমশিং অমদি এন সী আর রিজনগা তায়নবা অতৈ মফমশিংদা তোয়না লাকই অমসুং মহাক্না জিতেন্দর গোগী গেঙগী রাইভেল গেঙষ্টর অমা হাৎননবা থৌরাং তৌরি হায়বা পাউ অমা স্পেসল সেলনা ফংখি।

জন্যুৱারী ১১দা তাজপুরিয়া জিং কেমিকেল ফেক্টরি রোদ, নরেলা ইন্দষ্ট্রিএল এরিয়া দেল্লী মনাক্তা মহাক্কী এসোসিএটকা উননবা লাকপা উই হায়বা অরোনবা পাউ অমা ফংখি অমসুং মতুং তাবদা একুজ গেঙষ্টর অসিবু ফাননবা লাং অমা থাকখি। রাকেশ উরবা মতুংদা পুলিসনা মহাকপু কোয়শিনখি অমসুং সরেন্দর তৌনবা খঙহনখিবদা মহাক্না বাইক হুন্দোক্লগা টিম অদুগী মেম্বরশিংদা নোংমৈ মরূ রাউন্দ অনী কাপ্লকখি। মদুগী পাউখুম ওইনা পুলিস টিম অদুগী মেম্বর অমনা মরূ রাউন্দ অমা মশা ঙাকথোকচনবা কাপখি অমসুং খূদক্তা রাকেশ তাজপুরিয়াবু ওভর পাৱর তৌখি অমসুং মহাকপু নমদুনা খূৎলায় থাদোকহনখি।

# মহা বিকাস অগাদিগুম্বা এল্লাইন্স লৈতবা সুইসাইদকা মান্নগনি

পানাজি, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী): লাক্লিবা গোৱাগী এসেমব্লি মীখল অসিগা মরী লৈননা মহা বিকাস অগাদিগা মান্নবা এল্লাইন্স অমা শেমদবা হায়বসি পোলিটিকেল সুইসাইদ অমগুম থোক্কনি হায়না ষ্টেট নেস্নেলিষ্ট কোঙ্গ্রেস পার্টি (এন সী পি)গী প্রসিদেন্ট জোস ফিলিপ দিসুজানা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

দিসুজানা কোঙ্গ্রেসপু এন সী পি অমসুং কোঙ্গ্রেসনা লুচিংবা এল্লাইন্সতা য়াওশিনখ্রবা রিজনেল পার্টি অমা ওইরিবা গোৱা ফোরৱার্দকী মরক্তা সীট শ্যেরিংগী থবক ফাইনেলাইজ তৌবদা থিন্থবগীদমক্তসু চৈখি। মহাক্না হায়খি মদুদি মহারাষ্ট্র বিকাস অগাদি মনুংদা য়ুনিটি লৈবদগী মহারাষ্ট্রদা বি জে পিনা মকোক হাইগৎপা ঙমদবনি। অদুনা অসিগুম্বা য়ুনিটি গোৱাদসু লৈহল্লোইদবগী করি মরম লৈবগে, গোৱাদা অসিগুম্বা এল্লাইন্স অমা শেমদবা তারবদি মদু পোলিটিকেল সুইসাইদ হায়বদু ওইগনি। কোঙ্গ্রেসনা এল্লাইন্স অসিগী মরমদা থৱায় য়াওদবা অসি লাইবক থীবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এন সী পিগী লুচিংবা অসিনা মীখলদা বি জে পিবু মায়থীবা পীবা ঙম্নবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি। দিসুজানা হায়খি মদুদি, ঐখোয়না বি জে পিবু অমুক হন্না পাৱর পায়হল্লোই হায়রবদি ঐখোয় পূম্নমক খোঙফম চেৎনা অমত্তা ওইনা লেপ্লগা মীখল থেংনমিন্নগদবনি। তৃনামুল কোঙ্গ্রেস, কোঙ্গ্রেস অমদি গোৱা ফোরৱার্দকী প্রসিদেন্ট বিজয় সর্দেসাইনা ফাওবা বি জে পিগা থেংননবা পূন্না চৎমিন্নবগী ৱাফম হৌদোকখ্রবনি।

এন সী পিগী সুপ্রিমো শরদ পৱারনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা মুম্বাইদা ৱা ঙাংখিবদা মহাক্কী পার্টিনা তৃনামুল কোঙ্গ্রেস অমসুং কোঙ্গ্রেসকা এল্লাইন্স শেম্নবা হোৎনরি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা দিসুজানা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

# এস পিগী এম এল এ হরি ওম য়াদব, কোঙ্গ্রেস এম এল এ নরেশ সাইনি বি জে পি য়াওখ্রে




ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী): কোঙ্গ্রেসকী এম এল এ নরেশ সাইনি অমসুং সমাজৱাদি পার্টিগী এম এল এ হরি ওম য়াদব য়ুমশকৈশা নুমীৎতা বি জে পিদা য়াওখ্রে।

স্বামি প্রসাদ মৌরিয়ানা উত্তর প্রদেশকী যোগী অদিত্যনাথ কেবিনেটতগী রিজাইন তৌখিবা মতুং মথংগী নুমীৎতা খোঙথাং অসি লাকপনি। মখোয়গা লোয়নন্না এস পিগী অতোপ্পা লুচিংবা অমা ওইরিবা হান্নগী এম এল এ ধরমপাল সিংহসু সেফ্রোন পার্টি অসিদা য়াওখ্রে।

উত্তর প্রদেশ বি জে পি ইন-চার্জ স্বতন্ত্র দেব সিংহ, ষ্টেট দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরশিং কেশব প্রসাদ মৌরিয়া অমসুং দিনেশ শর্ম্মা অমদি পার্টিগী নেসনল মীদিয়া হেদ অনিল ভালুনিনা কোঙ্গ্রেস অমসুং সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবশিং অসিবু বি জে পিদা তরাম্না ওকখি। লুচিংবশিং অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা স্বতন্ত্র দেবনা হায়খি, লৈবাক অসিদা মীয়াম্না বি জে পিবু পাম্নরিবা অসি লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি।

পার্টি অসিগী পোপ্যুলরিটি হেনগৎলকপগা লোয়নন্না অতোপ্পা পার্টিশিংগী লুচিংবা কয়া বি জে পিদা চঙনরক্লি। মোদিনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং যোগী অদিত্যনাথকী ৱেলফ্যের স্কিমশিংগী মরমদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, বি জে পিনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অসিবু মীয়াম্না পাক্তকনা থাগৎনরকপদগী লুচিংবা অহুম অসিনা অসিগুম্বা পার্টি অসিদা য়াওনবগী ৱারেপ লৌখিবনি। লুচিংবা অহুম্মক্না বি জে পিগী আইদিওলোজিদা থাজবা থমদুনা কখোকপগা লোয়নন্না অঙন্বা থাক্তা থবক তৌরক্কনি অমসুং পার্টিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লক্কনি হায়বগী থাজবা ইন-চার্জ অসিনা ফোঙদোকখি।

# পদযাত্রাদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা মীওই চা কয়া য়াওরে

বেঙ্গলুরু, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী): কর্নাটাকাগী রুলিং বি জে পিনা মেকেদাটু প্রোজেক্ট থুনা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা দিমান্দ তৌরদুনা নুমীৎ ১০নিগী পদযাত্রা অমা শিন লাংবগীদমক্তা কোঙ্গ্রেসপু চৈথাংলদুনা ষ্টেট অসিগী হোম মিনিষ্টর অরাগা জানানেন্দ্রনা রেলি অদুদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা পার্টিসিপেন্ট চা কয়া য়াওরে হায়না য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, পদযাত্রা অদুদা শরুক য়ারিবা মীওই চা কয়া কোভিদ পোজিটিভ ওইরে হায়বা পাউ ফংলে। যাত্রা অদুদা শরুক য়াখিবা লুচিংবা খরদি টেষ্ট তৌবদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবদগী লায়েংদুনা লৈরিবনি। লুচিংবা কয়ানা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবসু যাত্রা অদুদা শরুক য়ারি। যাত্রা অদু পাঙথোক্লিঙৈগী মমাংদা রাম নগর অমসুং মন্দ্য দিষ্ট্রিক্টশিংদা কোভিদ টেষ্টশিংগী মশীং য়াম্না নেমখি।

পদযাত্রা অদু হৌখিবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট অনীমক্তা কোভিদ টেষ্টশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকখি।

অরাগা জানানেন্দ্রনা মমাংদা ফোঙদোকখিবদা, ইভেন্ট অদুনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিদা অমুক হন্না লোকদাউন থম্বগী ফীভম লাক্লবদি মদুগী থৌদাং কোঙ্গ্রেসকী লুচিংবশিংনা লৌগদবনি হায়খিবনি। পদযাত্রা অদু বেঙ্গলুরুদা চঙলকপা থিংনবা গভর্ণমেন্টনা খন্নরগা ৱারেপ অমা লৌগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মেকেদাটু প্রোজেক্টকী ৱাফম অসি সুপ্রিম কোর্টতা লৈরিবা ওইবনা কোঙ্গ্রেস লুচিংবা খরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম খরদি ষ্টেট অসিগী ইন্টরেষ্টতা শোক্লিংঙাই ওই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। লৈবাক অসিগী ষ্টেট খরদা লোকদাউন থম্লবা লৈখ্রবনি। মতম অসিদা অসুম্না পদযাত্রা পাঙথোক্তুনা কোভিদ কেসশিং ৱাংখৎলক্লবা হোৎনরিবা অসি লাইবক থীবনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

# সেন্টরগী বি জে পি গভর্ণমেন্ট চিংথুনবা কে সী আরনা মীয়ামদা আপীল তৌখ্রে



হায়দরবাদ, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী): সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ফর্টিলাইজরশিংগী মমল হেনগৎহন্নবা ৱারেপ লৌখিববু কন্না য়ানিংদবা উৎলদুনা তেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা বি জে পি গভর্ণমেন্ট চিংথুনবা আপীল তৌখ্রে।

মহাক্না হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী অসিগুম্বা ৱারেপনা রুরেল ইকোনোমি শোলহনবতা নৎতনা ফার্ম সেক্টরদা চৈথেং চাওনা পী। ফর্টিলাইজরশিংগী মমল হেনগৎলিবা অসিনা এগ্রিকলচর সেক্টর অসি ক্রাইসিস অমা মায়োক্নহল্লগনি অমসুং লৈবাক অসিগী ফার্মিং সেক্টরগী য়াঙলেন শরূ তেকহল্লগনি।

মীয়াম্না কে সী আর হায়রগা খঙনবা চীফ মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হারগী মমল হেনগৎলকপগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদুনা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা লেটর অমা ইরগনি। মহাক্না বি জে পি গভর্ণমেন্টপু রুরেল ইকোনোমি, হেরিদিটরি ট্রেদ শোন্থহনবগা লোয়নন্না ফার্ম সেক্টরদা চাওনা চৈথেং পীদুনা সেক্টর অসিবু কোর্পোরেটশিংদা শিন্নথোকই হায়না মরাল শীখি।

চহী কয়া লিশাং শীৎনা চৎনরক্নবা ফর্টিলাইজরশিংদা সবসিদি পীবগী চৎনবী সেন্টরদা পাল্লিবা বি জে পি গভর্ণমেন্ট অসিনা লৌথোক্লে হায়না পল্লদুনা তেলঙ্গনা রাষ্ট্রিয়া সমিথি (টি আর এস)কী চীফ অসিনা হায়খি মদুদি, সেন্টরগী অসিগুম্বা ফিরেপ অসিদা লৌমীশিংনা মখোয়গী লাঙ্গোলশিং পায়রগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লাল হৌবা নৎতনা অতৈ তৌনিংঙাই ওপসন লৈতে।

কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা লৌমীশিংগী ইনকম শরুক অনী হেনগৎহনগনি হায়না ৱাশকখিবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অসিনা হৌজিক্তি হারগী মমল মমাংদা অমুক্তা থেংনখিদ্রবা মওংদা ৱাংখৎহন্দুনা লৌউ-শিংউগী থবকশিংদা চাওনা অকায়বা পীরে। মসিনা বি জে পি গভর্ণমেন্ট অসি লৌমীশিংগী মায়োক্তা লৈ হায়বসি চিংননিংঙাই ওইদ্রে হায়না কে সী আরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 15/SDC/SLG/IE of 2022**

Parties :- Suraiya Begum W/o Sharkov Shaheed of Minuthong Hafiz Hatta. -Petitioner

-Vs-

Late Pattadar :- Abdul Manab S/o (L) Manaoton of Dewlalend -Opposite Parties

**/ NOTICE**

Sagolmang, the 10/1/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহশিল খুল নং 13-Thangjam Khunou পাট্টা নং 51 (অরিবা) 62 (অনৌবা), দাগ নং 93 মোট এরিয়া .72 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপ্তি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপ্তি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang, Imphal East**

HL-P/1401/13

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 16/SDC/SLG/IE of 2022**

Parties :- Suraiya Begum W/o Sharkov Shaheed of Minuthong Hafiz Hatta. -Petitioner

-Vs-

Late Pattadar :- MD. Abdul Manab S/o (L) Manaoton of Dewlalend -Opposite Parties

**/ NOTICE**

Sagolmang, the 10/1/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহশিল খুল নং 13-Thangjam Khunou পাট্টা নং 79 (অরিবা) 90 (অনৌবা), দাগ নং 157 মোট এরিয়া .68 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপ্তি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপ্তি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang, Imphal East**

HL-P/1401/13

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 14/SDC/SLG/IE of 2022 Dated : 5/1/2022**

Sanasam Lolito Singh S/o (L) Khomei Singh of Khundrakpam Mayai Leikai. -Petitioner

-Vs-

Late Sanasam Khomei Singh S/o (L) Ningthoukaba Singh of Khundrakpam -Opposite Party

**/ NOTICE**

Sagolmang, Dated 5th January, 2022

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ই:ই: তহশিল খুল নং 11-Khundrakpam পাট্টা নং 292 (অরিবা) 130/941 (অনৌবা), দাগ নং 1233, মোট এরিয়া 0.54 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা এপ্লিকান্টকী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্যু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Sagolmang, Imphal East**

HL-P/1401/13

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 07/AS&SO/TBL, Date 06-01-2022**

Laishram (N) Maipakpi Devi D/o L. Amu Singh of Khangabok Khullakpam Mamang Leikai. - Applicant

-Vs-

(Late) Khundrakpam Feijao Singh S/o (L) Angouba Singh of Khangabok Khullakpam Palli Leikai.

**/ NOTICE**

12-01-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩ খাঙবোক পাট্টা নং ৩৩/২২৮১ (অরিবা) ১০০৭ (অনৌবা) দাগ নং ১৫৬৯ এরিয়া .৮৯৪৪ হেক্টর চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী কো-পাট্টাদার নং ২শুবা মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মৃ: পাট্টাদারগী এরিয়া .১২৫৫ হেক্টর অসি দংকারি লাইশ্রম নিংঙোল মাইপাকপী দেবীদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমীৎতগী ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer, Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/1403/13